

থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

ঈথৌ অমদি মদুগী মহয়

‘কর্ম-ফল’ হায়বা সংস্কৃত ৱাহৈ ৱাপা অসি, অঙাং ওইরিঙৈদগী চীনসিদা পকখ্রবা অমা ওইবনা করিগুম্বদা, মীরোলনি হায়বা কাউথোকখিদুনা ঈরোল ওইরবোই খল্লকপসু য়াওই। করিগুম্বা থবক অমা তৌরুরবা, অফবা ওইরো/ফত্তবা ওইরো, থবক্কুগী মহয় ফংদনা তোক্লোই, নোংমা শোয়দনা ফংগনি হায়বসি অঙাং ওইরিঙৈ তম্লকখিবা মোরেল-সাইন্স অমদি পঞ্চতন্ত্রগী ৱারীশিংনা খনহল্লকখিবা ৱাখলনি। নৌরিবা কোক্তা শঙখিবা মচু ওইবনা ঙসি ফাওবা কোক’ঙমদে। কর্ম-ফল, থবক্কী-মহয়-ইংরাজিদা হায়রগা ‘ফ্রুত ওফ এক্সন’ হায়বসি শোয়দনা ফংগনি হায়বসি কাউঙমদবা মহাক্তুদি থবক অমা তৌদ্রিঙৈ, খল্লি ৱাখল তরেৎ-তরা থোক্লা। ফত্তবা থবকসু তৌগন্দে। ‘উ’না উহৈ পীবদা মতম খরা চঙবগুম, থবক অমগী অফবা নৎত্রগা ফত্তবা মহয় অমা ফংবদা মতম চঙবা হৌনশানি। পামজবা অমা ফংনবা, নীংজবা অমা থুংনবা ঈশ্বরগী মফমদা নিরুবা, ফংলক্ত্রবা মতমদা ৱারৌনা চৈ পেন্নবা... ‘মীফত্তনা নিবদি পীনৈ নঙনা খুদক্তা, ঐনা হায়জবসিবুদি তাবীদে নঙনা কৈদৌঙৈ, ননাক্তা অমুক লাক্লরোই অমুক হন্না নিররোই’...। ঈশ্বর নীংলিবসিবু নীংজবা অমা থুংহন্নবা, পামজবা অমা ফংহন্নবখক্তগীরা? ‘ভববান কী ঘর মে দের হে, অন্ধের নহী’- ঈশ্বর মাগী মফমদদি অথেঙবা হায়বদুদি লৈগনি, অমম্বদি লৈরোই কৈদৌনুং’... হায়বা ৱাহায়সিগী নুংগী ৱা-খন্দে-খঙদে ঙসিগী মীওইবা। মখোয়না থাজে-‘জষ্টিস দিলেদ ইজ জষ্টিস দিনাইদ’ (থেঙনা পীবা ৱায়েনদি, ৱায়েনবীদবগা পাঞ্জকনি)। নেচরেল জষ্টিস’তা থাজরক্তা মশামক্লা ৱায়েল্লকই। অদুগা হায়- ‘কলিদদি খুদৈ কংদে’ (থবক্কী ফল থুনা ফংই)।

অদুগা, হায়জনীংবা ৱা হায়দ্রিঙৈ, ‘কর্ম-ফল’গা মরী লৈনবা ৱা অমত্তংগা নীংশিংজগে... ‘হন্দক মপোক অসিদা ঐনা ফংলরিবা মপোক/পুন্সি অসি, নহানমুক্কী মপোক্তা ঐনা তৌরকখিবা কর্মগী ফল অদুনি’...। হন্দক’-মপোক, নহানমুক’-মপোক অমদি হয়েংমুক’-মপোক হায়দুনা থৱায়সিনা মাঙবা লৈত’ তোঙান তোঙানবা হকচাং পোলাং অমমমদা চঙদুনা শায়োনবগী ‘ইনকার্নেসন থিওরি’ অদুদা থাজরুবা নত্তবা, ৱাহায়সিনা ফোঙলিবা ফুমদুনা লৈবা মফোঙদোক অদু অমুক্তং খন্থদুনা য়েংলুসি। ঙসি ঐনা নৎত্রগা নহাক্লা তৌরিবা থবক অসি তৌহল্লিবা কনানো? নৎত্রগা, ঐনা হৌজিক লেল্লিবা পুন্সি মরেল অসি করম্না ওইরকখিবনো? খুম্লক্কনি/খুম্নীংগনি- ঐগী পূক্লিংসিনা ইনশিন্দুনা তৌরিবনি- লাইবকসিনা তম্বনি/মপূগী নোংদমখোলননি। তশেংবদি, মদু অরানবা ৱাখলনি। থবক অমা তৌনীংনবা/ৱাখল অমা খন্নবা ইথিল পীরিবা ঐগী পূক্লিং অদু করম্না ওইরকখিবনো? হৌখিবা মতম কয়াদুদা থেংনরকখিবা থৌদোক কয়াগী এক্সপরিয়েন্স’তুনা কন্দিসন তৌখিবনি। ঐনা তৌরুবা থবক অমদা/ঙাঙখিবা ৱাঙাং অমদা কনাগুম্বা অমনা ঈকায়বা পীরকপদা ঐনা ঈকায়বা নৎত্রগা ঈকায়দবা-ঐগী এক্সপরিয়েন্সকী মখা পোনগনি। মীনা শীজিন্নরক্লিবা ৱাহৈদু ঈকায়বা পীবা ৱাহৈ (ইন্সল্টিং ৱর্দ) অমনি হায়বসি মমাঙদা থেংনখিবা এক্সপরিয়েন্স অমদগী ঐগী পূক্লিংনা খঙহৌগদৌরিবনি। ‘হুইনা খোংদৌদু গধানা খোংলে’ হায়না কনাগুম্বনা হায়রকপদা, হুইনা তূমিন লৈখ্রগা গধানা খোংখিবগী ৱারীদু খঙদবা কনানদি ৱাহায়সিগী ৱাহন্থোক করিনো খঙলরোই, থাগৎ-ৱাহৈ অমনি খনখিবসু য়ারিবনি। মতাঙ চানা, ৱারী অমত্তা লীহৌগে। সিরিয়াগী পাখঙ অমা শোয়বদগী য়ূম্লোন্নবা লৈবাক লেবানন’গী ঙমখৈনুংদা চঙলুরে। লম্বী লম্মাঙনবদগী অসুম পঙচত্তা চৎপদগী কোনুংগুম্বা অচৌবা শঙলেন অমদা থুংলরে। য়াম্লবা মীয়াম, থোকখিবা কয়া চঙখিবা কয়া অদু উবদা চঙশিন্দুনা হংলুরে- ‘করি থৌরম পাঙথোক্লিবগে’? লোন ফাওনবা ঙমদরে। মশা নাল্লবা নুপা অমনা মহাকপু মখূৎ শমদুনা পুশিল্লগা তরু তানানবা তেবল অমগী মনাক্তা ফমহল্লে। লোন ফাওনদবনা মঙক নোম্বা নত্তনা পাম্বৈ অমা লৈখিদে। অহাও-অথুম-মথেল-লুকোয় থাংজীল্লকপদুদা খল্লি- লমদমসিগী নিংথৌনা মীতোপ ঐবু ওক্লিবনি তরাম্না। হরাওবনা লুতোন শাৎখরে। চাবা থকপা লোইরগা ‘মানা চাখি থকখিবগী বিল’ অদু পুরক্তুনা মমাঙদা থল্লরে। শঙলেনদু হোতেল অচৌবা অমা ওইরম্লে। লোন ফাওনদবনিনা, মানা খল্লি ‘মাবু তরাম্না ওকপগী থাগৎ ৱারোল অইবা ওইনা পীবনি’। ফুরিৎখাওদা হাপচীল্লে। হোতেল মেনেজর লাক্তুনা নোল্লুক্লা হায়জবদসু খুম্লক্লিবা ৱাদুগা শম্নফম খঙদ্রবদুদদি, তাৎ তৌরিবনি খন্দুনা হোতেল মপুগী কাদুদা পুরক্লে। মানদি খল্লি নিংথৌদুনা কৌরিবনি। ৱাহং পাউহংনা কান্নদ্রবদুদদি হোতেল মপুদুনা লাউথোক্লে- ‘মসি ঈকায়বা য়াম্না খঙদবা, নমথাক তৌবা নুপানি... চৈরাক ওইনা গধা অমদা তোংহল্লগা লৈপাক মাঙদা খুনগোয়নৌ, মমায়দা অমুবা তৈশিল্লগা, মঙক্তা লংনা য়াল্লগা চে অমসু নপশীল্লে। মদুদা ইরি... ‘নুপাসি ঈকায় খঙদবা হুরানবনি’...। অঙাং ময়াম্না য়োমশীন্দুনা ইন্নরগা, য়া-য়া-নোক্তুনা লাঙবদুদা নুপাদুনা খল্লি... ‘অঙকপা লৈপাক অমনি, মীবু ঈকায় খুম্নবগী তোপ-তোপ্পা মওং অমনি, ঐগী ঈরমদগী মী অমত্তনা, লমদমসিদা ঐবু তরাম্না ওকপীবসি উখিদবা লাইবক থীবনি’...। লেবানন’দা খুন্দাখ্রবা সিরিয়া মচা অমা মীয়াম মরক্তুদা য়াওরমদুনা হংলকই... ‘নঙনা করি তৌরুরবগে’...? ‘লমদমসিগী নিংথৌনা মাগী মীথুং ওইনা ঐবু তরাম্না ওক্লিবনি’... পাউখুম অদু তাবদা নুপাদু মীরক্তুদা মাঙখরে। মহাক্লা খলহৌই- ‘কল্লক্তুনা তৌরিবনি’।

ৱারীসিদগী ঐখোয়না তমগদবা- মীওইবগী পূক্লিংনা ওইহল্লকপা য়াবা মীওইবগী পুন্সি শক্তম অদুনি। কনাগুম্বনা ঈকায়বা পীরকপদা শাউরিবা নৎত্রগা ঈকায়রিবা-মমাঙদা থোকখিবা অদুগুম্বা থৌদোক অমননি। ঈশাদগী মদোম থোকচরকপা ফীলিং অমা নত্তে। মরম অসিনা, ঙসি ঐনা পাঙথোক্কদৌরিবা থবক অমা, নৎত্রগা, ঙাঙগদৌরিবা ৱা অমা, মদুনা লাক্কদৌরিবা তুংগী পুন্সি অদুদা নেগেটিব ওইনা চেইন-ইফেক্ত অমা লাকহন্নীংদ্রবদি হৌখিবা মতমগী ইমোসনেল ওইবা পূক্লিং-ইহুল অমত্তনা ঙসিগী মীকূপ অসিবু এফেক্ত তৌহল্লোইদবনি। ঙসিগী মীকূপ অসিদি হৌখ্রবা মতমগী মরুম থুপ্না হিংলোইদবনি। ঙসি ওইনা হিংগদবনি। ‘কর্মগী-ফল’ নীংশিংলুরবা, হৌখ্রবা মতমদা হিংবনি, ঙসিগী মীকূপ্তা হিংবা নত্তে খঙবীয়ু। কর্ম হায়বসি ইথৌদুনি। ‘নথৌনী খন্না তৌ, মহয়দুগী খল্লুনু’- গীতাগী পাউতাক্তু নীংশিংসি।

লৌশিং পুক্কে

কোভিদকী ভেক্সিন কাপথোক্তবা-

য়ু ঙাওরিঙৈদা গাড়ি থৌবগা পাংখক্লি : এক্সপার্টশিং

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চাংচৎত্তা নোংমগী মীওই ১০০০গী মথক্তা শিরক্লবনিনা, ভেক্সিন কাপথোক্তবা হায়বসি য়ু ঙাওরিঙৈদা গাড়ি থৌবগা পাংখক্লি হায়না হেল্থ এক্সপার্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সী এন এনগী মেদিকেল এনালিষ্ট ডা. লিয়ানা ৱেননা ফোঙদোকখিবদা, ভেক্সিন কাপ্তুনা লৈনবগী ফিরেপ অসি য়ু ঙাওরিঙৈদা গাড়ি থৌনবা ফিরেপ লৌবগা পাংখক্লি হায়না ঐখোয়না খনবা হৌবা মথৌ তারে।

ৱেনগী ৱাফম অসি বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসননা য়ু এস লেবর দিপার্টমেন্টতা ইমপ্লোয়ি ১০০ অমসুং ১০০দগী হেন্না লৈবা বিজিনেস খুদিংমক্লা মশাগী ৱার্করশিংবু শুকশোয় শোয়দনা ভেক্সিন কাপথোকহনবা নৎত্রগা চয়োল খুদিংগী টেষ্ট অমুরক তৌহন্নবা দিরেক্সন পীনবগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মেন্দেট প্লান অমা শগোলশেন নুমিৎতা লাউথোকখ্রবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি। গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ি খুদিংমক্লা মশাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন শোটশিং কাপথোকপা মথৌ তাবগা লোয়ননা চাং নাইনা টেষ্ট তৌবগী থৌওং য়াওজরোই হায়বা য়াহন্দবা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমসু প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা সাইন তৌখ্রে।

খোঙথাং অসিবু কা হেনমল্লি হায়না রিপব্লিকান ওফিসল খরনা কৃটিসাইজ তৌখ্রবসু হেল্থ এক্সপার্টশিংনদি কোভিদ-১৯ কেসশিং নৌনা ৱাংখৎলক্লিবা অসিবু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক হেন্না চেকশিনবা চেকশিন থৌরাংশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌরমগদবনি হায়না ফোঙদোক্লি।

খোঙথাং অসিগী মতাংদা ৱেননা হায়খিবদা, পব্লিক হেল্থকী মীৎয়েংদগীদি মসি কা হেঞ্জিনবা নত্তে। অদুগা তশেংনা হায়রগদি, মসি খরগা ঙনখৎনা লৌখৎলমগদবনি। ঐখোয় হৌজিক ঐখোয়গী পুন্সিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা পব্লিক হেল্থ ক্রাইসিস অমগী লানফম ময়ায়দা লৈরিবনি। নুমিৎ খুদিংগী অমেরিকান লিশিং অমা হেন্না শিরিবনি। খুন্নাই অমা ওইনা ঐখোয়না মতম পুম্নমক্তা মীয়ামগী হকশেল অমদি নুংঙাই য়াইফববু ঙাক শেনগদবা লোশিং শেমই হায়খি।

মমাঙগী চয়োলদা কোভিদ-১৯না নাদুনা য়ু এসতা নুমিৎ খুদিংগী চাংচৎতা মীওই ১,১১০ শিরি হায়না য়ু এস সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী দেটানা উৎলি। ওগষ্ট থা লোইশিল্লকপদগী শিরক্লিবা চাং অসিনা মার্চ থাদগী হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী ৱাংবা চাং ওইরি

চহী ১২ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবশিংগী চাদা ৭৩.৫দি য়ামদ্রবদা ভেক্সিন দোজ অমা কাপথোকখ্রে, লৌনগনবগী চাং ৱাংলিবা দেল্টা ভেরিয়ন্ট অসিনা লৈবাক অসিবু মহাক্কী খুবাম্নুংদা পায়শিনবা লেপত্রিঙৈ চৈরক অসিদা ইলিজিবল ওইরবা মীওই মিল্লিয়ন কয়া কয়া ভেক্সিন কাপথোক্তনা লৈরি। ইরায় নুমিৎ ফাওবদা হায়রিবা চহী তাঙ্কক কাঙলুপ অসিগী ৬২% লোম ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপথোকখ্রে।

সী এন এন মেদিকেল এনালিষ্ট জোনাথন রাইনরনা ফোঙদোকখিবদা, মশিং য়াম্লবা মীওই কাঙলুপ কয়া ভেক্সিনেসনগী মায়োক্তা লৈরি, অদুবু ভাইরস অসিনা পাক শন্না শন্দোক্লিবদি হায়রিবা মফমশিং অসিদনি। ঐখোয়না লৈরিবা অসি চৎনকাঙলোনশিং লৈবা লৈবাক অমদনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী বিল্ডিং অয়াম্বদা ঐখোয়না মৈখু শীজিন্নবা য়াদে, অমদি য়ু ঙাওরিঙৈদা গাড়ি থৌবা য়াদে। প্লেন মনুংদা মৈখু শীজিন্নবা য়াদে। অদুগা নহাক্লা ঐগী মায়দা ভাইরস কামশিল্লকপা য়ারোই। লৈবাক অসিদা চৎনগদবা লীচৎ অসি অসুম্না ওইগদবনি। অদুগা নহাক্লা ভেক্সিন কাপথোকসি য়াদদুনা পব্লিক হেল্থতা খুদোংথীনিংঙাই অদুম্মক ওইহন্দুনা লৈরবা, অদু ওইরগদি নহাক্কী থৌওং অদুগী ফত্তবা মহয়শিং ফংগনি, অদুগা মহয়শিং অদুদি নহাক্কী থবক মফমদা থবক শূবা ফংদবা হায়বসিনা ওইরকপসু য়াই হায়খি।

ওগষ্টতা পাঙথোকখিবা পোল অমগী মতুংইন্না অমেরিকানশিংগী ৫৬%না থবক কাবদা ভেক্সিন কাপ্পা মথৌ তাহনবদা শৌগৎলি, অদুগা ৫৩%না রেষ্টুরেন্টতা চাব-থকপদা ভেক্সিনেসন মথৌ তাহনবদা শৌগৎলি, অদুগা এয়র প্লেন তোংবদা ভেক্সিনেসন মথৌ তাহনবদনা ৬১%না য়ানিংবা উৎলি।

অদুগা হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন কাপথোক্তনা লৈরিবশিংগী ওইনা, হৌজিকসু মখোয়বু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবগী মতম লৈরি হায়না হান্নগী য়ু এস সর্জন জেনরেল ডা. জেরোমে অদাম্সনা ইরায় নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হান্না কোভিদ কেস থেংনবগী চাং নেমথরুরবা য়ু এসকী ষ্টেট কয়াদা কেস মশিং হেনগৎপগী ফিভম চাউনা মায়োক্লরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা আই সী য়ুদা লৈবা, ভেন্টিলেটরশিং হাপ্পনচিংবা কয়া য়াওরি। আই সী য়ুগী ফমুং কোন্নরক্তুদুনা ইমরজেন্সি দিপার্টমেন্ট কয়াসু আই সী য়ুদা ওন্থোকপা য়াওরি।

ৱেষ্ট ভর্জিনিয়াদসু কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ২৫২ আই সী য়ুদা লৈরি, অদুগা অতোপ্পা পেসেন্ট ১৪১না ভেন্টিলেটর হাপ্তুনা লায়েংলি, মসিনা পেন্দমিক অসি হৌরকপদগী খ্বাইদগী মশিং য়াম্না হোস্পিটালাইজ তৌবা ওইরে হায়না গভর্নর জিম জষ্টিসনা হায়খি। হোস্পিটালাইজ তৌরিবশিং ভেক্সিন কাপত্রিবশিংনা অয়াম্বনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী অতোপ্পা মীওই ৩৮ অমগসু শিখ্রে। মীওই কয়া অমসু শিরকখিনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

মীয়ামগী থাজবা কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই : লাইতোঞ্জম জয়ানন্দ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কনি হায়না পানরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা খুরাই এ সীদগী এন পি পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা নেসনল পিপলস য়ুথ ফ্রন্ট (এন পি ৱাই এফ) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লাইতোঞ্জম জয়ানন্দদা এক্স-এম এল এ ডা. এন জি বিজয়গী নোমিনি ওইরম্বা অমদি রসন অমসুং এস কে ওইলগী এজেন্ট ওইরম্বা মীওই ৩২না শৌগৎলে হায়না লাউথোকখ্রে।

এক্স-এম এল এ ডা. এন জি বিজয়বু শৌগৎলম্বশিংনা এন পি পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইতোঞ্জম জয়ানন্দদা শৌগৎলকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমসু ঙসি খুরাই কোন্সম লৈকায়দা লৈবা লাইতোঞ্জম রুপাগী গার্দেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবা লাইতোঞ্জম জয়ানন্দনা হায়খি, খুরাই এ সীবু অফবা অওনবা এ সী ওইহন্নবগী পান্দমদা মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়না থোরকপনি। অসিগুম্বা লাঞ্জং অসিদা পূক্লিং থৌগৎপীবদা নত্তনা মায়পাকপগী লম্বীদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা থাজবা পীদুনা নৌনা শৌগৎপীরক্লিবা অমদি হান্নদগী থাজবা পীবীরিবা এ সী অসিগী মীয়ামগী থাজবা কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই।

টর্ম অনীরক খুরাই এ সীদগী মীহুৎ ওইবীরম্লবা ডা. এন জি বিজয়বু শৌগৎপীরম্বা মরুওইবা মীওই কয়ানা ঙসি কন্দিসন অমত্তা থমদনা শৌগৎপীরকপা অসি অপেনবা পোকই। মখা তানসু খুরাই এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪৩দগী মমিং লৈরবা মীখলগা মরী লৈনবা থবকশিংদা হৈথোই-শিংথোইরবা মীওই কয়া অমসু এন পি পিদা চঙলক্তুনা শৌগৎপীরক্কদৌরি। এ সী অসিগী এম এল এবু হান্না শৌগৎলম্বা কয়া অমসু হৌজিক্তি এন পি পিদা চঙলক্তুনা মহাকপু শৌগৎপীরগনি হায়বগী থাজবা পীরকপা কয়া অমা লৈরে। মরম অদুনা ঙসি অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা শৌগৎপীরক্লিবা অসিগী মখা তারকপা ওইনা মীওই কয়া অমসু শৌগৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী রিটায়র্দ এস ঈ, কে জিলা, এক্স-জিলা পরিষদ মেম্বর হাওরুংবম ইচাও অমসুং সনসম বুধিচন্দ্রনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি। ঙসি এন পি পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা জয়ানন্দবু শৌগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা এক্স-এম এল এগী নোমিনি তেলেম কিরন, কাইরং খোমিদোক জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৫গী মেম্বর এম দি জাহিয়া খান, এক্স-এম এল এ ডা. এন জি বিজয়গী স্পোক্সপর্সন ওইরম্বা এম দি কাসিম অমসুং খুরাই এ সীগী ওইনা মতম অমদা লৈরম্বা ফ্যের প্রাইস সোপশিংগী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এস ইবোতোম্বীসু য়াওরি।

এদমিসনদা অরান-অহুই তৌবীগনু : দেসাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংগী পি ঐচ দি, মাষ্টর অমদি অন্দর গ্রেজ্যুএটকী এদমিসনদা অরান-অহুই তৌবীগনু হায়না দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি এস ঐচ রিশিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীচঙ-শঙ্গ তৌদুনা কাঙলোনগী ৱাংমদা কেন্দিদেটশিংনা শেঞ্জা-থুমজা তৌদুনা, মীচঙ-শঙ্গ খোমদুনা মিং চনবা য়ারোই। অসিগুম্বা থবক থৌওং কয়া চখনবা তৌরে হায়বগী ৱাকৎ দেসামদা লাক্লে। খুদম ওইনা হন্দক লৌখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী পি ঐচ দি লৌননবা কেন্দিদেট খনবগী প্রোসেসতা থা ৬ হেন্না থেংথবগী মরম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী এম সী এস ওফিসর অমনা কাঙলোনগী ৱাংমদা মিং চন্নবা হোৎনরকপদগীনি।

দিপার্টমেন্টকী থবক থৌরমশিংদা হায়র ওথোরিটিনা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম খুৎ থিংজিল্লকখিবা অমদি মতাং মতম চানা ৱাখৈনহৌদবদগী থোক্লকপনি হায়না লৌজে। হায়রিবা কেন্দিদেট অসি হন্দক্কী একাদেমীক সেসন অসিগী ওইনা মিং চনহনবা শুকয়া য়ারোই। ওজাদা অহেনবা পৱার শীজিন্নদুনা কিহন-খঙহল্লগা মিং চনগনি হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। য়ুনিভর্সিটি অমা হায়বসিনা খুন্নাই অমগী চাউখৎলক্লবগী য়ুম্বী মখোঙ অমা ওই হায়নরিবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্সকী পি ঐচ দি তৌননবা মিং চনবগী থবক থৌরম অসি অনৈবা অমোৎপা পোল্ল্যুসন থোক্লবা ঈশিংগা পাঞ্জক ওইরে। হায়রিবা লোয়শঙশিং অসিনা অনৈবা পোল্ল্যুসন থোক্লবা ঈশিং অদু মীয়ামদা য়েল্লক্লবদি হুগী শক্লোন লৌরক্তুনা খুন্নাই পুম্বা লায়না তীন্না চেনহল্লক্তুনা পুন্না লায়না চেল্লবা খুন্নাই অমগী শক্লোন শোয়দনা লৌরক্কনি হায়রি।

চেঙগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, অমুকো অমদি ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (অমোৱোভা)না পুল্লগা মণিপুরগী মফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা ময়ামদগী খরা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা চেঙ য়েনবগী থবক লেপ্তুনা চখ্রকপগা লোয়ননা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খুল কয়াদা চৎতুনা পুন্না ইমুং ২৯৩দা চেঙগী মতেং পাংখ্রে হায়না পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি থোঙাম অপাবী লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিগী চেঙগী মতেং পাংবগী খোঙচৎ অদুদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবী, অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং অমদি অমোৱোভাগী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম কুঞ্জরানিসু শরুক য়াখি। লূপ অহুম অসিনা মখা তানা মণিপুরগী মফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা ময়ামদগী খরা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবা ইমুংশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা মফম মফমদুগী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি অমোৱোভাগী থৌমীশিংগা খুৎশম্নরগা ঙমজবা চেঙগী মতেং পাংখিবনি।

লূপ অহুম অসিনা চেঙগী মতেং পাংবগী থবক অসি অসেম লৈকায় দিভেলপমেন্টক্লব (এ দি সী), ককৱানা মতেং পাংদুনা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিং হায়বদি অসেম লৈকায় অমদি ৱাইখোম লৈকায়দা পুন্না য়ুম ৪৫, খা নোংপোক মৈরা পায়বী অপূনবা লূপনা মতেং পাংদুনা মৈরা লূপ অসিগী এরিয়া ওইরিবা বামোন কম্পুদা য়ুম ৬২, ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী এসোসিএসন্না মতেং পাংদুনা মৈরা পায়বী লূপ অসিগী এরিয়া ওইরিবা অন্দ্রো কাংজৈবুংদা য়ুম ৬২, অপূনবা নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা লূপ-১, য়াইরিপোক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থৌমীশিংনা লূপ অসিগী এরিয়া ওইরিবা য়াইরিপোক তোপ চিংথাদা য়ুম ৬২ অমদি অপূনবা নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা পায়বী-২, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মৈরা পায়বীশিংনা লূপ অসিনা কোনবা মফম লাংমৈথেংতা য়ুম ৬২ নি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

ৱানা হোৎনরবসু করিসু নত্তবা থৌশীল হৈতবা থৌরাংনা উৎতা ঘী হৈজিলহন্নিংদে

কিয়ামগৈ অমসুং ককচিংগী কোভিদ হোস্পিটালগী ওইনা দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা পোষ্ট কয়া লৌনবগী নোটিশ থোকখ্রে। দোক্টর ৪৩, নর্স ১৫, এম টি এস ১৩৬ লৌগদৌরি। মসিমক য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না লৌজে। মরমদি চহী অনী কোভিদ-১৯গী চৈথেংলক্তা কোভিদ সেন্টর অমদি হোস্পিটাল কয়াদা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা শিবা-নাবা, অৱাবা থিদনা অনাবশিংবু লায়েংদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। লৈখিদ্রবসু কয়া য়াওখ্রে। মখোয় ময়াম অদুবু হুন্দোক্লল্লগা অনৌবা পোষ্ট লৌগদৌরি হায়বসি তশেংনা মখোয়না হোৎনখিবা অৱাবশিং অদু উবীদবনি হায়না লৌজে। লৈবাক মীয়ামগী থম্মোয়দা অসিগুম্বা থৌওং অসিনা নুংঙাইতবা হায়বদু ওইহল্লে। থৌওং অসিগী মতুং ইন্না মীয়ামগী পেন্দবগী খোল্লাও লাকপা য়াই হায়না খল্লি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী চহী মরি মখায়গী মনুংদা খোঙজেল য়াঙনা খুমাঙ চাওশিন্দুনা লাক্লে হায়বা য়াই। অদুবু করিসু নত্তবা থৌশীল হৈতবা থৌরাং অমখক্লা উৎতা ঘী হৈবা হায়বদুদি তাহন্নিংদে। থা অহুম অমদি তরুক্তগী থবক তৌজরিবা নর্সশিংদা সেরিএল নাইনা কোভিদ হোস্পিটালশিংদা জোইন্ট তৌহন্নিংই। অৱাৎপশিংনা সেন্টরদগী লৌথহন্নিংই। ইচা-ইশুশিংগী মীৎতগী পী তাহন্নিংদে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

❒ **জয়কুমার তখেল্লম্বম, খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকায়**

এন ঐচ-৩৭ কী লম্বী দব্বল লেন্দ ওইহনগনি অমদি বরাক থোং শঙ্গারগনি তাবদা নুংঙাই

মরু ওইনা মণিপুরগী লাইফলাইনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এন ঐচ-৩৭কী লম্বী অসি দব্বল লেন্দদা অথুবা মতমদা শেল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা জিরিবামদা লৈবা কোওপরেটিভ বেঙ্ক অমা হাংদোপগী থৌরমদা ফোঙদোকখি। লোয়ননা অথুবা মতমদা বারাক থোংসু মীয়ামদা শঙ্গাদুনা শিন্নরগনি লাউথোকপীখিবা অসি তাবদা মীয়াম্না নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফাওই অমদি লৈঙাক অসিগী অফবা থবক্লি হায়জনিংই। এন ঐচ-৩৭কী লম্বী অসি পাকথোক-চাউথোকপদা চৎলিবা লম্বী অসিগী নাকলশিং কয়া য়াম্না পাকথোকপীগদগে হায়বনচিংবা মরী লৈনবশিংনা মাঙজৌননা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। হৌজিক মণিপুরদসু কোভিদ-১৯গী ফিভমসু ফগৎলক্লে। স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি অমদি মখল কয়াগী প্রাইভেট ওফিসশিংসু হাংনবগী খন্নবা হৌরে। ইম্ফালগী মার্কেটশিং মপূং ফানা হেক হাংলক্লবদি এন ঐচ-৩৭ লম্বী অসি মীয়াম্না চৎপদা চিনমনবদগী খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা য়াই হায়না মীপাইনবসু য়াওরি। লোয়ননা পাট্রোলেন্দ থোকপশিংগী পীফম থোকপসু মতম চানা পীথোকপীনবা হোৎনবীয়ু। এন ঐচ-৩৭ লম্বী অসিগী নাকয়েৎতা লৈরিবা মীয়াম্না লম্বী অসি পাকথোকপীদনা মতম কুইনা খাংদুনা লৈরক্লবনি। মসিদসু নত্তনা মণিপুরগীদমক্তা মথৌ তাবা পোৎ-চৈ কয়া দ্রাইভরশিংনা অৱাবা কয়া খাংদুনা পুথোক-পুশিন তৌরিবনি। মরম অদুনা হায়রিবা লম্বী অসি মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা পাকথোক-চাউথোক্তুনা ভোট মমাঙদা শেমজিনবা লোইশিনবীরবদি মীয়াম্না অপেনবা ফাওবগা লোয়ননা চথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাবা হায়বদু ওইরগনি।

❒ **ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৯।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা,
লাংবনগী ৬ নি পানবা।

মেষ: হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎপা, থৌনা ফদোকপনা কান্নবা ফংবা অমদি মীনা থাগৎপিবা নুমিৎনি। তুংগী পোরম য়াৎপা মতাং চাগনি। খুৎচাওদি থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

বৃষ: নিংবা থুংগনি, লাইবক ফগনি, শেন্দোং তানবদা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি আশা চাওবা য়াগনি। অঙম্বনা য়ানবদি চৎলু, থিজিনবা লেপতবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: লেঙদবা লন ফংবৈ নুংঙাইজে, আশা চাওবগী কান্নবসু ফংগনি, লল্লোন-ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি। মীয়ামগী মতেং ফংগনি। লম চৎপদি পাঙদে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি, থৌয়াম পুগনু অমদি হোয়া ফগনু। মরুপ মপাং লোয়নবা অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংনবা হোৎনবদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: চিন শোয়রগা নরলদা তায়নবা য়াবা ঙসিসু লৈ, ঙাকপা ঙমলোইদবা ৱা ঙাংদবা ফৈ। মরুপ খনবা লুই অমদি ঈংথনা চৎচরদি মাঙগদবদগী কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: নিংবা থুংগনি, শেন্দোং ফংগনি, অনৌবা থৌরম পাঙবা য়াগনি। য়াম্না হৈ-শিংবদি শাগনু অমদি মীনা ইনশিনবা লৌদবনা অফবা থবক পাঙগনি কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: চিংনবা পোক্লসু মীয়ামগা লোয়নবগী নুংঙাইজবদি লৈ। মীকোক থোংগদবা, পাইরক্কী লৌশিং চাওবা অমদি শেল চঙবা নুমিৎনি। মীতোপতি লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হরাওই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: ৱাখল নুংঙাই, নিংবা মপা চাই অমদি অঙম্বনা চানবীগনি। হকচাংসু নুংঙাই অমদি অকিবা লৈতনা ইচঙ থৌবা ঙমগনি। নিংহন্নগনু মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু: অফবা মীংচৎ ফংগনি, ইমুং মনুং ৱাতান্নবনা চাওখৎপা অমদি পাংঙমদবা থবক পাঙবা লৈগনি। খাঙবা কনবা অমদি থিজিনবা কনবনা নরলসু কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর: লন চঙগনি, ইমুং মনুং ৱাখল মান্নবা থৌপাংবনা লন মরাং কায়না চঙবা হেনগনি। নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাইজে। মীতোপ্পা ইনশিনবা লৌরদি ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: থবক পাঙগনি, নিংবা থুংগনি, য়েক্লবা মাঙগনি অমদি লাই-গুরুনা চানবীগনি। অদুবু অনম তানবা অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌবদি পাঙদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: হোয়া ফবদি মীপাইনিংঙাই ওই। চিন কনবসু ইকায়-নুংশি য়ান্নবা নংগনি, অশাওবনা ইমুংদফাওবা ঈংলোই। অরিবা নত্তনা অনৌবা থৌরম পাঙদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।